# আই সী পি শাবগী মতাংদা ইন্দিয়াগী পি এম নরেন্দ্র মোদি অমসুং বাংলাদেশকী পি এম শৈখ হসিনা ৱারী শান্নরগনি



অগরটালা, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি): ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকা লোন্নবা শরুক্তা লৈরিবা ত্রিপুরা ঙমখৈগী শরুক্তা ইন্টিগ্রেটেদ চ্যেক পোষ্ট শাবগী মতাংদা বাংলাদেশকী মায়কৈদগী অথিংবা পীরকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনা অনী উন্নদুনা ৱারী শান্নরগনি হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনা নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা থা অসিগী ৫ দা ইন্দিয়াদা থুঙলগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হান্নদগী হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা খুমাঙ চাওশিলহন্নবগী মতাংদা খন্নগনি।

বাংলাদেশকা তায়নবা শরুক্তা লৈরিবা ত্রিপুরাগী মুহুরিঘাট ঙমখৈগী শরুক্তা গভর্ণমেন্টনা ইন্টগ্রেটেদ চ্যেক পোষ্ট শাবগী থবক চথুবা হৌখ্রবা মতুং বাংলাদেশকী মায়কৈদগী অথিংবা পীরকপদগী শেম শাবগী থবক লেপখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্না ফম মান্নবা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনাদা ৱারী শারগনি। ইন্টর্নেসল বোর্দরদা ইমিগ্রেসন অমদি কষ্টমসকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা হেন্না খুদোং চানবগীদমক ঙমখৈগী শরুক্তা ইন্টগ্রেটেদ চ্যেক পোষ্ট শানবা ফীরেপ লৌখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টকী মকোক থোঙবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা ইন্টর্নেসনল বোর্দরগী শরুক্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইন্টিগ্রেটেদ চ্যেক পোষ্ট শাবা হৌরকখিবা অদুদা মপুং ফানা অথিংবা পীবা লৈতে। অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা হান্না য়ান্নখিবগী মতুংইন্না লেন্দ কষ্টমস ষ্টেসন অমা শাবা মথৌ তারি। ষ্টেসন অসি শাবা লোয়রবা মতুং ট্রেদকী ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌগদবনি। ট্রেদকী থবকশিং পায়খৎপা হৌরবা মতুং ইন্টিগ্রেটেদ চ্যেক পোষ্ট শাবগী থবক চথুবনা হেন্না অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়না বাংলাদেশকী মকোক থোঙবা ওফিসল অসিনা মখা তারি।

## ইলেক্সন নকশিল্লক্লবা মতমসিদা মিজোরাম বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে




আইজোল, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি): লাক্লিবা কুমজা ২০২৩ গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবগীদমক শেম শারিবা মিজোরাম এসেমব্লি ইলেক্সনগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মাগী মাগী ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌনখ্রবা মতুং বি জে পিগী ওইনদি য়াম্না নুংনাঙনিংঙাই ওইবা মওংদা বি জে পি মিজোরাম য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্ট পার্টি অসিদগী তোক্তুনা কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মিজোরাম বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট দয়াল চন্দ্র চকমা পার্টি অসিদগী হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা তোক্লবা মতুং কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওখিবনি। বি জে পিদগী তোক্তুনা কোংগ্রেসতা য়াওখ্রবা চকমা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী হান্নগী ইলেক্তেদ মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা চকমা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (সী এ দি সী) গী চ্যেরমেন ওইনসু থৌ পুরল্লবা মীওই অমনি।

কমলানগরদা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি মিজোরাম কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা বি জে পিদগী তোক্তুনা পার্টি অসিদা য়াওরকখ্রবা দয়াল চন্দ্র চকমাবু তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা মথং চহীগী অঙনবা চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা কোংগ্রেসনা চাওনা মায় পাক্লবা য়াই হায়রি।

পনবা য়াবদি মিজোরাম নেসনল ফ্রন্ট অমসুং বি জে পিদগী মরুওইবা মীওই ৫৬ কোংগ্রেসতা চঙলকখ্রে। হায়রিবা মীওইশিং অদুসু ঙসি তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। কোংগ্রেসতা চঙলকখ্রবশিং অদুগী মনুংদা হান্নগী ভিলেজ কাউন্সিল মেম্বর কয়া য়াওরি হায়না মিজোরাম কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ত্রিপুরা এসেমব্লি ইলেক্সন মাঙওইননা পুলিস ওফিসরশিংগী ফম হোঙদোক হোঙজিন তৌখ্রে

অগরটালা, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি): ত্রিপুরাদা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবগীদমক শেম শারিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা আই পি এস ওফিসর ১৪ য়াওনা পুলিস ওফিসর কয়াগী মফম হোঙদোক হোঙজিন তৌখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না আই পি এস ওফিসর জি এস রাওবু ষ্টেট অসিগী ক্রাইম এন্দ ইন্টলিজেন্সকী অনৌবা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওইনা হাপখ্রে। অদুগা আই পি এস ওফিসর এল দারলোংবুনা ইন্সপেক্টর জেনরেল (লো এন্দ ওর্দর) হাপখ্রে। এল দারলোংনা হান্না লৈরম্বা আই জি (লো এন্দ ওর্দর) অরিন্দম নাটকী মহুৎ শিনখিবনি।

ৱেষ্ট ত্রিপুরাগী এস পি বোগাতি জে রেদিবুনা সেপাহিজালা দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ওসনা ট্রান্সফর তৌখ্রে। অদুগা আই পি এস ওফিসর সঙ্কর দেবনা ৱেষ্ট ত্রিপুরাগী অনৌবা এস পি ওইনা এপোইন্ট তৌরকখ্রে। রতি রঞ্জন দেবনাটপুনা খোৱাই দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ওইনা ট্রান্সফর তৌখ্রে। এ আই জি (ক্রাইম) কৃস নেন্দু চকরবটিবুনা স্পিসল ব্রাঞ্চকী এস পি ওইনা পোষ্টিং পিখিবগা লোয়ননা কান্ত জংগিরবুনা উনাকোটি দিষ্ট্রিক্টকী অনৌবা এস পি ওইনা পোষ্টিং পীরকখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ভিলেজ কম্মিটি পোল অমদি মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা নোটিফিকেসন থোকখিবনি হায়রি।

## লুপা লাখ ৭৯.৫ রোমগী ওইগদবা হিরোইন ফারে

আইজোল, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ২৩ শুবা অসাম রাইফলসকী সরচিপ বট্টালিয়ননা চথুখিবা থিহুম্বগী থবক্তা জোখাথর ভিলেজগী শরুক অমদগী হিরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ১৫৯ ফাগৎপা ঙমখ্রে অমদি হায়রিবা অসাম রাইফলসনা ফাগৎলবা হিরোইন নম্বর ফোর অসিগী মার্কেট ভেল্যুনা লুপা লাখ ৭৯.৫ রোম ওইগনি হায়রি।

অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং জোখাথর পুলিস অমদি অসাম রাইফসলগী অপুনবা টিম অমনা ভেংনুৱাই এরিয়াদা থিহুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা বাইক অমদা তোঙদুনা লাকখিবা মীওই অমা খামদুনা চেক তৌরুবদা দ্রগশিং অদু য়াওরম্বা থেঙনখিবনি। দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা জোখাথর পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়না অসাম রাইফসলনা হায়রি।

## বি এস এফ কন্সটেবল অমা শিনা লৈরম্লে

অগরটালা, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি): ত্রিপুরাগী খোৱাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা মফম অমদা মশাগী চহী ৩২ রোম শুরবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী পর্সনল অমা শিনা লৈরম্বা থেঙনরে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ত্রিপুরা পুলিস ওফিসলগী রিপোর্ট মতুংইন্না লৈখিদ্রবা বি এস এফ কন্সটেবল অদু টেলিমুরা এরিয়ারদা লৈবা খাসিয়ামঙ্গল হেদ ক্বাটরদা পোষ্টিং তাবনি। লৈখিদ্রবা কন্সটেবল অদুগী মমিং বালুরাম কুরি কৌই। মহাক ঙরাং নুমিদাং বাট্টালিয়ন হেদক্বাটরদা সন্ত্রি তাখিবনি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা বি এস এফকী হেদ কন্সটেবল অমনা বালুরাম সেক্তর হেদ ক্বাটরগী ভিদিও কনফরেন্স রুমদা তাদুনা লৈরম্বা থেঙনরকখিবনি। মতৌ করম্না কন্সটেবল অদু শিরল্লিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। পোষ্ট মোর্টেমগীদমক হোস্পিটালদা অশিবা হকচাং পুদুনা চৎখ্রে অমদি কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়রি।

## স্কুলগী মতাংদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল হুন্দুনা ঙাঙখ্রে



গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি): স্কুলশিংগী মতাংদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্ম অমসুং দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অনীগী মরক্তা ৱাহৈগী ওইবা অৱাই অখুম তৌনদুনা লাকখ্রবা মতুং অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা মহাক্না ফম মান্নবা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু মখা তানা হুন্দুনা ঙাঙখিবগা লোয়ননা এদ্যুকেসন সেক্তরগীদমক অসাম গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালনা ঙল্লোইদবা ঙাক্তনি হায়না করেম্নদুনা ঙাঙখ্রে।

অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা চৎলিবা একাদেমিক ইয়র অসিগী ওইনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা টি গর্দেন ৱার্করশিংগী মচাশিংনা তম্নবা সেকেন্দরি স্কুল ১০০ লিঙখৎখ্রে। ১০০ হেন্না পাইপ্লাইনদা লৈরি। টি গর্দেনশিং অসি ষ্টেট অসিগী য়াম্না মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরি। অসিগুম্বা মফমশিং অসিদা স্কুল অমা লিঙখৎতুনা মহৈরোয়শিং মহৈ তম্নীবগী থবক অসি অরাইবা নত্তে। মসি কেজ্রিৱালনা ঙল্লোইদবা অমনি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট স্কুল ৪৪,৫২১ দা মহৈরোয় লাখ ৬৫ হেন্না তল্লি। ওজা লাখ ২ হেনবনা স্কুলশিং অসিদা মহৈরোয়শিং তাকপী তম্নীবগী থবক তৌরি। মসিদা নত্তনা মিদ দে মিল ৱার্কর লাখ ১.১৮ শু গভর্ণমেন্টনা ইনগেষ্ট তৌদুনা থল্লি। টি গর্দেন ৱার্করশিংগী মচাশিংনা তম্নবা স্কুল ১০০ লিঙখৎখ্রবা মতুং অতোপ্পা স্কুল ১০০ হেন্না অমদি কোলেজ ১০ লিঙখৎনবগী শেম শাবা লোয়রে। ঐখোয়না ক্বালিটি লৈবা প্রদক্টশিং তুমিন্না মীয়ামদা পীবা পাম্মি। মরম অদুনা তুমিন্না থবক তৌবনি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।




দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী হোস্পিটাল মেনেজমেন্ট সোসাইটিনা শীন্দুনা ঙসি হোস্পিটাল অসিগী অকোয়বদা শিং শেঙখিবা

## CROSSWORD-3633



**ACROSS**

1 Diplomatic etiquette (8)
6 Doleful (3)
9 Leave undisturbed (3,2)
10 Enclose (7)
11 Letter (7)
13 Root vegetable (5)
14 Dealer (6)
15 Abhorrence (6)
19 Dark brown fur (5)
21 Idealist, visionary (7)
22 Fashionable (1,2,4)
23 Twilled fabric (5)
24 Drunkard (3)
25 Stretched (8)

**DOWN**

2 Greek wine (7)
3 Fasten (3)
4 Rode a bike (6)
5 Scenic picture (9)
6 Digging tool (5)
7 Duffer (5)
8 Customer (6)
12 As a result (9)
16 Penitence (7)
17 English county (6)
18 Period before Christmas (6)
19 Heavenly bodies (5)
20 Brute (5)
23 Male child (3)

Solution 3632



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4034

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 6 | | 7 | | |
| | 8 | | 7 | | | 6 | 9 | |
| | | | 3 | | | 4 | | |
| 4 | | | 1 | | 5 | 8 | | 2 |
| | | | | | | | | |
| 9 | | 7 | 4 | | 8 | | | 3 |
| | | 6 | | | 2 | | | |
| | 9 | 4 | | | 6 | | 1 | |
| | | 8 | | 4 | | | | |

### Solution-4033

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 8 | 1 | 3 | 4 | 2 | 6 | 9 |
| 2 | 4 | 9 | 5 | 8 | 6 | 3 | 1 | 7 |
| 6 | 1 | 3 | 2 | 7 | 9 | 8 | 5 | 4 |
| 9 | 2 | 4 | 3 | 6 | 5 | 7 | 8 | 1 |
| 5 | 8 | 6 | 7 | 1 | 2 | 4 | 9 | 3 |
| 1 | 3 | 7 | 4 | 9 | 8 | 6 | 2 | 5 |
| 3 | 6 | 5 | 8 | 4 | 1 | 9 | 7 | 2 |
| 8 | 7 | 2 | 9 | 5 | 3 | 1 | 4 | 6 |
| 4 | 9 | 1 | 6 | 2 | 7 | 5 | 3 | 8 |

## /EMPLOYMENT NEWS

### HIGH COURT OF MANIPUR RECRUITMENT 2022 FOR 10 COMPUTER ASSISTANT

High Court of Manipur Computer Assistant Recruitment 2022: Advertisement for the post of Computer Assistant in High Court of Manipur. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 21 September 2022. Candidates can check the latest High Court of Manipur Recruitment 2022 Computer Assistant Vacancy 2022 details and apply online at the recruitment 2022 page.
High Court of Manipur Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ . High Court of Manipur selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
High Court of Manipur
invites applications for recruitment of Computer Assistant
Computer Assistant
Job Location:
At Mantripukhri, Imphal, 795002 Manipur
Last Date: 21 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 10 Posts
High Court of Manipur
High Court of Manipur Recruitment 2022 Details
Company High Court of Manipur
Job Role Computer Assistant
Education Requirement Any Bachelors Degree
Total Vacancy 10 Posts
Job Locations Imphal
Experience 1 - 5 years
Salary 21700 - 69100(Per Month)
Posted on 29 Aug, 2022
Last Date To Apply 21-09-2022
Educational Qualification: Any Bachelors Degree
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
21700 - 69100(Per Month)
Age Limit: 18-38 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Computer Assistant in High Court of Manipur.
How to Apply:
Candidates who are applying for High Court of Manipur Recruitment 2022, must apply before the last date. Candidates, who apply for the High Court of Manipur Recruitment 2022, can follow the procedure as given below.
Step 1: Visit the official website hcmimphal.nic.in
Step 2: Search the notification for High Court of Manipur Recruitment 2022
Step 3: Read all the details given on the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application on the official notification and apply for the High Court of Manipur Recruitment 2022.
Important Dates:
Published on: 30 August 2022
Last date for application is: 21 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### IIT GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR 19 PART TIME SPORTS INSTRUCTOR

Indian Institute of Technology Guwahati Part Time Sports Instructor Recruitment 2022: Advertisement for the post of Part Time Sports Instructor in Indian Institute of Technology Guwahati. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 13 September 2022. Candidates can check the latest Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment 2022 Part Time Sports Instructor Vacancy 2022 details and apply online at the www.iitg.ac.in/recruitment 2022 page.
Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.iitg.ac.in/. Indian Institute of Technology Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.iitg.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)
invites applications for recruitment of Part Time Sports Instructor
Part Time Sports Instructor
Job Location:
Indian Institute of Technology, Guwahati, 781039 Assam
Last Date: 13 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 19 Posts
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati) Recruitment 2022
Details
Company Indian Institute of Technology Guwahati
Job Role Part Time Sports Instructor
Education Requirement
Total Vacancy 19 Posts
Job LocationsGuwahati
Experience 1 - 4 years
Salary 25000(Per Month)
Posted on 27 Aug, 2022
Walkin Date 13 Sep, 2022
Educational Qualification: Diploma in Coaching or Certificate in Coaching or Bachelor in Physical Education or Graduate +Diploma in Physical Education or Participation in International / National / Inter University / Zonal Level competition with 10+2 general qualifications.
Experience: Minimum of 01 year of experience preferred, Fresher's may also apply
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR 25000(Per Month)
Age Limit: Upper age limit up to 45 years as on the interview date.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Part Time Sports Instructor in IIT Guwahati.
How to Apply:
To know the Walkin procedure for IIT Guwahati Recruitment 2022 candidates can go to the official website and download the IIT Guwahati Recruitment 2022 Notification. IIT Guwahati will conduct the walkin interview for Part Time Sports Instructor vacancies on 13/09/2022.
Important Dates:
Published on: 29 August 2022
Last date for application is: 13 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : য়াইতম্বা

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম




